# নিতিশকুমারনা জে দি (য়ু)গী মেম্বর ২১ পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌবগী তান্থোকখ্রে



পত্না, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :

নিতিশ কুমারনা লূচিংবা জনতা দল-য়ুনাইটেদ (জে দি-য়ু)না পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক মেম্বর ২১ প্রাইমারী মেম্বরশিপ্তুগী তান্থোকখ্রে।

জে দি (য়ু)গী সিনিয়র লীদর শরদ যাদবপু রাজ্য সভাদা পার্টিগী লূচিংবা ওইহনখিদ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাংসি লৌখৎলকপনি।

এ এন আইগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, পার্টিগী মায়োক্তা লেপ্পী হায়বগীদমক ষ্টেট প্রসিদেন্ট বাসিস্থ নরায়ন সিংহনা মেম্বর ২১ প্রাইমারী মেম্বরশিপ্তুগী তান্থোকখিবনি। তান্থোকখ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা হান্নগী মিনিষ্টর রামায় রাম, হান্নগী এম পি অর্জুর রাই অমসুং হান্নগী এম এল এ রাজকিশ্বর সিনহা য়াওরি। প্রাইমারী মেম্বরশিপ্তুগী তান্থোকখ্রবা মীওই পূম্নমক শরদ যাদবকা নক্নবা মীওই ঙাক্তনি হায়রি।

জুলাই ২৬তা নিতিশকুমারনা গ্রান্দ এলাইয়েন্সতগী তোকখিবগা লোয়ননা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী খুৎশম্নখিবনি। থৌওং অদু মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবনি হায়না শরদ যাদবনা ফোঙদোকখি।

আর জে দি অমসুং কোংগ্রেসতগী লাপথোরক্লবা জে দি (য়ু)না বি জে পিগা খুৎশম্নদুনা বিহারদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লবা মতুংদা মরুওইবা পার্টিগী মেম্বর ২১ তান্থোরকখিবনি।

প্রাইমারী মেম্বরশিপ্তুগী মীওইশিং অদুদি হান্নগী মিনিষ্টর রামায় রাম, হান্নগী এম পি অর্জুন রাই, হান্নগী এম এল এ রাজকিশ্বর সিনহা, মধেপুরগী সেক্রেটরি ওইরম্বা বিজয় বর্মা, সহরশাহগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ধনিক লাল মুখিয়া, মধেপুরগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সিয়ারাম যাদব, জে দি (য়ু) ৱার্কর সেলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্বী বিন্দেশ্বরী সিংহ, মোজাফরপুরগী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর ইজরেল মন্সুরি, টেক্নিকেল সেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট মিথলেশ কুসৱাহ, গাইঘাদকী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর নিরঞ্জন রাই, ধরভঙ্গগী দেবকান্ত রাই, মধুবানিগী ট্রেদরস সেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট তিক্কু কাসেরা, সোনবর্শাগী ব্লোক প্রসিদেন্ট জয়কুমার সিংহ, কাহরাগী ব্লোক প্রসিদেন্ট ধিরেন্দ্র যাদব, ট্রেদরস সেলগী উদয়চন্দ্র শাহ, বিহারীগঞ্জকী ব্লোক প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্র অজাদ, সতার কতায়াগী ব্লোক প্রসিদেন্ট সুরেশ যাদব, সোর বজারগী ব্লোক প্রসিদেন্ট বিজেন্দ্র যাদব, মধেপুরা ফার্মরস সেলগী রমন সিংহ, মধেপুরা সিটি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট কমল দাস অমসুং সিয়ামার্হিগী দেপ্যুটি দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট দেবেন্দ্র শাহনি।

পনবা য়াবদি, জে দি (য়ু)গী সিনিয়র লীদর শরদ যাদবনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট য়ুনিট অয়াম্বনা মহাকপু শৌগৎলিবা মরম্না অথুবা মতমদা পার্টিগী অশেংবা লূচিংবনি হায়না ক্লেম তৌরগনি। রাজ্য সভাগী এম পি অনী অমসুং নেসনল ওফিস বিয়ারর খরা য়াওনা যাদবপু শৌগৎলিবা কাঙবুনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ১৪না মখোয়বু সপ্পোর্ট তৌরি হায়না পীরকপা চেরোল পায়রগা নিতিশ কুমারগী মথক্তা অনৌনা লাল্লোং অমা চঙশিন্নবা থৌরাং তৌরি। নিতিশ কুমারনা হন্দক্তা শরদ যাদবপু পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদগী লৌথোকপা লৈখ্রবনি।

# গোরখপুর : এন ঐচ আর সীনা রিপোর্ট পীরক্লবা য়ু পি গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে



গোরখপুর, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী):

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশকী বি জে পি গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা হায়খ্রে মদুদি, গোরখপুরগী বাবা রাঘব দাস (বি আর দি) মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা অঙাং ৭০ রোম শিখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা মথৌ তাই।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা কোংগ্রেস লূচিংবা তোম বরাকান্তনা হায়খি, লৈঙাক্কী মায়োক্তা অশোয়বা কয়ামরুম লৈখি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। মিনিষ্টর ফোর ষ্টেট ফোর হেল্থ ফাগন সিংহ কুলাস্তেনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌতুনবগী খুদম ফংই হায়না ফোঙদোকখ্রবনিনা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েং মখাদা মপুং ফাবা ইনক্বারি চথুবা মথৌ তাই।

য়ু পি গভর্ণমেন্টনা ডা. কাফিল খানবু বি আর দি হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক্স দিপার্টমেন্টকী নোদেল ওফিসার ওইবা তোকহনখিবগা লোয়ননা ডা. ভুপেন্দ্র শর্ম্মাদা থৌ পুহনবা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, গোরখপুরগী হোস্পিটালদা ওক্সিজেন ফংদবদগী অঙাং কয়া শিখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎহনগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা রিজেক্ট তৌরদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, পিটিসনরনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা হায় কোর্টতা ৱাকৎকদবনি।

চৈরকসিদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন ঐচ আর সী)না য়ু পি গভর্ণমেন্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চয়োল ৪গী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, গোরখপুরদা অঙাং কয়ামরুম শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজ পূম্নমক্তা হীদাক-লাংথক অমসুং ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা খঙহনবা লৈখ্রে।

মেদিকেল কোলেজশিংদা থাখিবা চেরোল অমদা য়ু পি গভর্ণমেন্টকী মেদিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা ওক্সিজেন সপ্লায়রশিংগী অতোনবা শেনফম পূম্নমক খুদক্তা পীথোকখিগদবনি হায়না খঙহনবসু লৈখ্রে।

গোরখপুরদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা গভর্ণমেন্টকী মেদিকেল কোলেজ মাপন অমদি অতোপ্পা মমিং লৈরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট ১২দা হীদাক-লাংথক নৎত্রগা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে হায়না মেদিকেল এদ্যুকেসনগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনিতা ভত্নগর জেননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, সপ্লায়রশিংগী অতোনবা শেনফম খুদক্তা শিংদোকখিনবগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংগী প্রিন্সিপালনা চপ চাবা থৌদাং লৌগদবনি।

# ‘ইন্দিয়া, চাইনা অমবু অমনা মায়থিবা পীবা ঙম্লোইদবনা নুংশিননা লৈমিন্নগদবনি’

মুম্বাই, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :



টিবেটান স্পিরিচুএল লীদর দলাই লামানা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা অমনা অমবু মায়থিবা পীবা ঙম্লোইদবা মরম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা মথৌ তাই।

থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা দলাই লামানা পাউমীশিংদা উনবদা হায়খি, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী অমনা অমবু মায়থিবা পীবা ঙম্লোই। লৈবাক অনীমক মতিক ময়াই লৈবা মরম্না নীংথিনা ফমিন্নরগা ৱারী শানরগা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনগদবনি।

মরক মরক্তা নাকল অনীনা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপ্পবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে হায়না পল্লদুনা দলাই লামানা হায়খি, কুমজা ১৯৫১দা লোকল গভর্ণমেন্ট ওফ টিবেট অমদি পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনানা টিবেট নীং তমহন্নবগী মতাংদা পোইন্ট ১৭ য়াওবা য়ানচে অমা সাইন তৌনখি। ঙসিদি চাইনাদা অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা মালেমদা বুধিষ্ট খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাক ওইরে।

চাইনাদা কম্যুনিষ্ট গভর্ণমেন্ট লৈবা তারবসু মীপুম খূদিংমক্না বুধিজমদা চেৎনা থাজবা মরম্না য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী ৱারী শানরগা য়ানবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈদা মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা টিবেটান স্পিরিচুয়েল লীদর দলাই লামানা হৌজিক হৌজিক দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনী মুক্নরিবসি থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

দিল্লিদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা দলাই লামানা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা ঙমখৈগী ৱাংমা ৱাংমদা ঈং-তপ্না লৈনবা পাম্বে পুথোক্কদবনি। মমাঙদসু য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীনা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা মুক্নবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপা লৈখ্রে। অদুবু ঈং-চীক্না ৱারী শানবদগী য়ানবা পুরক্তুনা খোঙফম হঞ্জিন্নখি।

দোক্লামদা হন্দক থোরক্লিবা ৱাথোক অসিসু অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না পল্লদুনা ১৪শুবা দলাই লামানা হায়খি, ইন্দিয়া অমদি চাইনানা এসিয়াদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক ওইরিবা মরম্না অথুবা মতমদা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ইন্দিয়াদা মীপুম খূদিংমক মশাগী অপাম্বা ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা ফংহনবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীয়ামদা নীংতম্না ৱা ঙাঙনবগী অয়াবা পীরিবা লৈবাক খূদিংমক চাউখৎপগী লমজেলদা শরুক য়াবা ঙমগনি।

হৌখিবা জুলাই ২২দা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা খুদক্তা ৱারী শানদুনা দোক্লামদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোকখ্রে। টিবেটকী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা দোক্লামদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মতম শাংনা মুক্নদুনা লাকখিবনি।

লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা টেন্সন হন্থহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা ৱারী শানবা মথৌ তাই হায়না দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন গেরি রোজনা ফোঙদোকখিবনি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা খুৎ থোক্নবদা মীওই অমা শিরে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী) :

খাথংবা কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নবদা মীওই অমা শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙরাং মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রবা মতুংদা মীওই কয়া থোরক্তুনা নুঙ লংশিল্লকপদগী মীয়াম্বু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মহমদ সয়দ ভাট কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা পানবদগী শিখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই ১২সু অশোক-অপন নংবদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

অমরোমদা, বদগাম দিষ্ট্রিক্টকী কানিহামা এরিয়াদা টেররিষ্টশিংনা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথুরকপদা সিক্যুরিটি পার্সনেল মরি অশোক-অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়ন আর্মিনা হিজবুল মুজাহিদিনগী ওপরেসনেল কম্মান্দর য়াসিন ইতু অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মীওই অনী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঙরাংসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নবদা টেররিষ্ট অহুম শিখিবা লৈখ্রে।

মফম অদুদা চথুরিবা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সী ওপরেসন লোইশিনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট অহুমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংবা ঙমখি। অদুম ওইনমক মনাক নকপা মফম কয়াদা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, নাকল অনী খুৎ থোক্নবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী জৱান অহুম অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু শ্রীনগরগী বাঘ এরিয়াদা লৈবা আর্মিগী হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। মফম অদুদা খুৎ থোক্নবদা আর্মি জৱান অনী লৈখিদ্রবনি।

সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী অৱানিরা খুঙ্গংদা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা আর্মি জৱান অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মরি শোকখি। অৱানিরা খুঙ্গংদা খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্ট খরা লোৎতুনা লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, ষ্টেট পুলিস অমসুং সী আর পি এফ য়াওবা অপুনবা টিম অমনা খুঙ্গং অদুদা চঙশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা নাকল অনী খুৎ থোক্নরকখিবনি।

অমরোমদা, পাকিষ্টান্না ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মেন্ধার সেক্টরদা মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী নুপী অমা শিবা লৈখ্রে।

মেন্ধারগী সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসার রিয়াস তান্ত্রেনা অপ্পর গোলাটতা লৈবী রাকিয়া বেগম কৌবী নুপী অমা পাকিষ্টানি আর্মিনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদে। অতোপ্পা থৌদোক অমদনা নোর্থ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা কলারুজগিগী মফম অমদা টেররিষ্টশিংনা ৪২শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসকী হেদক্বার্টরদা এটেক চথুরকখিবনি।

# অসাম, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ঈচাউনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :



বিহার, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নোং কন্না চুবা মরম্না লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা ঈচাউ অমসুং লেন্দস্লাইদ থোকপদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে।

নোং কন্না চুবা অমসুং ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা ইন্দিয়া, নেপাল অমদি বাংলাদেশকী মীওই কয়া শিখ্রে। অতোপ্পা মীওই কয়ানা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমদা চেন্নখি।

খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোক্লবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা বিহারসু অমনি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীওই ৪১ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ২০ লোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি।

অসামদসু নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী খুঙ্গা চা কয়া ঈশিং থুমজিল্লে। ষ্টেট অসিগী ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা দিষ্ট্রিক্ট ২১গী মীওই ৯৫ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ ২২ অৱাবা মায়োক্নরি।

অরুনাচল প্রদেশতসু নোং কন্না চুবনা মহৌশাগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহল্লে। ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা ঈচাউনা মরম ওইরগা মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদ থোক্লে হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনসু মরুওইবা তুরেল অয়াম্বা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং কয়ামরুম হান্নদগী হৌনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লৈরিবনি।

উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরবা গোন্দা, শ্রৱাস্তি, বলরাম্পুর অমদি বাহরেক দিষ্ট্রিক্টতা থোক্লিবা ঈচাউগী ফীভম নোংথক্তগী য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মথৌ তাবা তেংবাঙগী পোৎলম য়েন্থোক্লবা খঙহনখ্রে।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বী রেনুকা দেবী বোর্কাতাকি লৈখিদ্রে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) :

প্রাইম মিনিষ্টর মোরাজি দেসাইনা লূচিংবা জনতা পার্টি গভর্ণমেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরম্বী রেনুকা দেবী বোর্কাতাকি মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৮৫ শুখ্রবী লূচিংবী অসি অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক্তগী অহানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখিবী নুপীনি। নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা মহাক শোকপদগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নদুনা লাকখিবনি।

কুমজা ১৯৩২দা পোকখিবী বোর্কাতাকিনা হায় স্কুল তম্লিঙৈদগী হৌনা মরুওইবা মহৈরোয় লূচিংবী অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা টি সী চৌধুরি গর্লস হায় স্কুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি অনীরক ওইরমই।

কুমজা ১৯৪৬তা মহাত্মা গান্ধীনা অসামদা অরোইবা ওইনা লাক্লম্বা মতমদা মহাক কোংগ্রেস সেবা দল ৱিমন ৱিংগী লূচিংবী ওইখি। কুমজা ১৯৬২দা মহাক অহানবা ওইনা কোংগ্রেসকী টিকেটতা বর্পেতা কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী লোক সভা মীখলদা মায় পাকখি।

কুমজা ১৯৬৭তা কোংগ্রেস মচেৎ তারক্লবা মতুংদা মহাক কমরাজ অমসুং মোরাজি দেসাইগী মায়কৈদা চঙখি। কুমজা ১৯৭২দা গুৱাহাটি মনাক্কী হাজো এসেম্ব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সীদা মহাক কোংগ্রেস (ও)গী টিকেটতা মীখল মায় পাক্তুনা কুমজা ১৯৭৮ ফাওবা ওপোজিসনগী দেপ্যুটি লীদর ওইখি।

কুমজা ১৯৭৫দা ইন্দিরা গান্ধীনা ইমর্জেন্সী থমখিবা মতমদা বোর্কাতাকি য়াওনা অসামগী মরুওইবা ওপোজিসন লীদর কয়ামরুম ফারগা জেলদা থমখি। থা ১৯ লৈরগা কুমজা ১৯৭৭তা ইমর্জেন্সী লৌথোকখ্রবা মতুংদা জেলদগী থোরক্লগা মহাক্না জনতা পার্টিগী টিকেটতা গুৱাহাটি কন্সটিট্যুয়েন্সীদগী লোক সভা মীখলদা মায় পাকখি। মতমদুদা মহাক মোরাজি দেসাইনা লূচিংবা জনতা পার্টি গভর্ণমেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এদ্যুকেসন এন্দ কলচর ওইখি।

DIRECTORATE OF
INFORMATION TECHNOLOGY & BROADCASTING SERVICE LTD.
Govt. of India (Undertaking), N.E. State, Manipur

Ref. No. 33/ITBSL/6-UND(23) Dated, 14/08/2017

NOTICE

অনৌবা দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোরকপা হায়বসি তরাইবা থবক নত্তে, মনুংগী মচাক ময়াম অমা চঙভি। অফবা থবক অমা পাইখৎলকপদা লৈবাক মীয়ামগী সপ্পোর্ট তঙাইফদে, লমদমসিদা হিংমিন্নরিবা প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না য়াওদুনা ৱানা ঙাইনরিবা দিপার্টমেন্ট অসি অথুবা মতমদা মীয়ামগী মাংদা থবক ওইনা পুথোকচরগনি। মণিপুরগী চীং অমদি তমদা অপুনবা ওইনা ওফিস ব্রাঞ্চ ২৪ লৈগনি। মসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা সেন্ট্রেল গোভর্ণমেন্টকী মতেং / সেংক্সন অমত্তা য়াওদনা ওফিস বিল্ডিং তরেৎ (৭) সেম শাবা লোইরে। মদুদি: বিষ্ণুপুর, থৌবাল, মোরে, বিসো, ইচুম কৈরাপ অমসুং জিরিবাম ব্লোক এ. অমসুং বি. (২) লোইননা তোঙান তোঙানবা ডিষ্ট্রিক্তা ওফিস বিল্ডিং শনবগী লম ১৭ ঐখোয়না লন্নাই পৈশা পুথোকচদুনা লৈরগা লৈজরে। অথুবা মতমদা ওফিস বিল্ডিংশিংগী কন্সট্রক্সন সেক্সন লাকপগা বাংলিবা ওফিস ১৭ অসি শাবা হৌজরগনি। মমাংদা ওফর ফোর্ম পিজখ্রে। অদুগী মথংদা পুলিস ভেরিফিকেসন ফোর্ম পিজরে। অদুগা হৌজিক্তা ফোর্ম সবমিসন তৌহল্লে। সেনাপাটিদা বান্ধ লৈখিবনা মরম ওইরগা পুলিস ভেরিফিকেসন ফোর্ম সবমিসন নুমিৎ নিনি (২) শাংদোকচরে, চৎলিবা থা অসিগী তাং ১৮।০৮।২০১৭ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনজরগনি। অদুগা তাং ২১।০৮।২০১৭দগী তাং ৩১।০৮।২০১৭ ফাওবগী মনুংদনা ইমপ্লোইশিংগী ট্রান্সফার অমসুং পোষ্টিং পুম্নমক লোইশিনজগনি। মসিগী মথা চৎথরকপ অরোইবা থৌরাং অমা ওইনা সেপ্তেম্বর ৪, ২০১৭ দগী ইমপ্লোই খুদিংমক্কী সর্ভিস বুক সেম শাদুনা থৌরাং তৌজরগা অথুবা মতমগী মনুংদা মশা মশাগী পোষ্টিং তারিবা ওফিস মফমশিংদগী সর্ভিস বুক ইসু তৌজরগনি।

By order,
Board of Governing Body
ITBS Ltd., Manipur

HL-P/2540/15




HL-P/2535/15

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

NOTICE
Dated 14/08/2017

**No. IMC/P/221/HFA(U)/2016 :** নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জরি মদুদি প্রধান মন্ত্রি আৱাজ যোজনা হাউসিং ফোর ওলগী বেনিফিসরি লেদ কন্স্ট্রক্সনদা য়ুম শাবীনিংবা মীওইশিংনা দিমান্দ সর্ভেগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম লাক্লিবা তাং ৩১/০৮/২০১৭ ইং শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা শাংদোক্লে।

১। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা নুমিৎ ৩১-০৮-২০১৭ ইং, শগোলশেল, মসিগী মতুংদা লাকপা মখল অমত্তগী ওইবা ফোর্ম নৎত্রগা এপ্লিকেসন লৌজরোই।

২। প্রধান মন্ত্রি আৱাজ যোজনা হাউসিং ফোর ওলদা য়ুম শাবগী খুদোংচাবা লৌবীনিংবশিংনা মমাঙগী তাং ৬/৯/২০১৬ ইং, ওফিস অসিগী নোটিসকী মতুং ইন্না তাং ২০-৯-২০১৬ ইং ফাওবদা থাজিনবীখ্রবা ফোর্ম পুম্নমক লোইনা চৎনগনি, নৌনা অমুক থাজিনবীরক্তবসু য়ারগনি।

৩। (ক) খুদোংচাব অসি লৌবীনিংবশিংনা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কন্মিটিগী খুত্থাংদা ফোর্ম লৌবা-থাজিনবা য়াগনি।

(খ) আই এম সীগী ৱেবসাইট www.imc.mn.gov.in দগী ফোর্ম দাউন্দলোদ তৌবীরগা আই এম সীগী প্রোজেক্ট সেক্সনদা পীশিনবীবা য়াগনি।

(গ) **MUDA** গী ৱেবসাইট www.muda.mn.gov.in দা online দা ফোর্ম থাজিনবা য়াগনি।

*Sd/-* **Th. Harikumar Singh**
Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation.

HL-P/3542/15

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com

HL-B/4054/4to3 Sept.